ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ০৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৮৮শুবা মশীং

# খূৎশুমল শোৎপা চুমদে

## ফত্তবা হৈনবীদি থাদোক্কদবনি

পীক্ত-পীক্লিবা মমা-মপাগী ঙাক্লৌদা হিংলিবা অঙাংশিং নত্তনা মপূং-মরৈ ফারবা মীওইশিংদি মশা অমসুং মহাক্কা নক্নবশিংগী পুন্সিগীদমক শুন-নোম্নরিবনি। পুংকক চাওরক্লবা অঙাং নুপামচা ফাওবদা ষঞ্জেন-ষনঙাক ঙম্লকপা হায়দুনা থৌদানরিবনি। মখোয়না অঙম্বা থবকশিং তৌনরিবনি। অদুবু থবক মখল য়াম্লবসু মানা মানা তৌরিবা থবকশিংদুগী মহয়, হুমাং মমল ফংফম থোকপা অমসুং ফংনবা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। লৈঙাক্কী থবক ওইবা/ওইদবা, পীকপা চাওবা অমসুং য়াম্বা নৎত্রগা য়ামদবা হায়বদুনা অমনি। মসি ওইরগদি মীওই অমদা পীফম থোকপা, মহাক মশাগী ওইনসু ফংফম থোকপা অৱামলদি চাং নাইনা পীবিফম থোকই। হায়রিবসিদা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিং খক্তমক ওইগদবনি হায়বগী ৱা নত্তে। লন্নাই লোয়শঙশিংগীসু নত্তে। শুরি-নোম্লিবা পূম্নমক্না মখোয়গী খূৎশুমল মতম চানা ফংবা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাই। তৌফমসু থোকই। অদুবু হায়রিবা ৱাফমসিগা হকথেংননা মরী লৈনরক্লিবসি ওক্টোবর ২দা কোনুং মমাঙগী থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী দিরেক্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদুগা হকথেংননা মরী লৈনরকই। থৌরমদুদা দিরেক্টরনা হায়খিবদু থা ৪গী পীথোকফম থোক্লবা অঙ্গনৱাদিগী ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী ওনরেরিয়ম অথুবা মতমদা পীথোক্লগনি হায়বসিনি। দিরেক্টরনা মীয়াম তিনবা, লোয়শঙসিবু হকথেংননা খূৎপায়নরিবা মিনিষ্টরসু য়াওবা থৌরমদুদা ফোঙদোকখ্রিবা ৱাফমদুদা পীথোকফম থোকপদগী পীথোক্তনা 'বেক লোগ' লৈরিবা থা ৪গী ওনরেরিয়মশিংদুগী মনুংদা থা ১/২ নৎত্রগা পুল্লপ পীথোক্লগনি হায়বগী নাখৈ শেংবা ৱাফম্মক ফোঙদোকখিদবা ওইরবসু অথুবা মতমদা পীথোক্লগনি হায়খিবমক্তুদি খ্বাইদগী ফবা অমসুং দিরেক্টরগীসু তৌফম থোকপা থবকনি। মদুমক্না ৱাফমদু তাবদা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোক্নখ্রিবনি।

দিরেক্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদুগী মথক্তা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংনা তৌজরিবা থবকশিংবু শকখঙবিদুনা মখোয়দসু 'দিয়রনেস এল্লাওৱেন্স' অমসুং 'টুর এল্লাওৱেন্স' (দি এ/টি এ) নচিংবা পীবিনবা মরী লৈনবা মিনিষ্টিরগী পূক্নিং চিংশিনখি। ৱাফমসিমক হৌদোরকখিবা দিরেক্টরনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী মপি-মপা শক্না মখোয়গীদমক খনবিরি হায়বনি। থবক ওইনসু পাঙথোকপা ঙম্বা ওইরকসনু। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি য়াম্না ফংজবসু নত্তবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী ওনরেরিয়মসি কৈদৌবগী থা ৩/৪ য়ৌনা পেন্দিংদা শোৎতুনা থমগদৌরিবা করিগীনো? হন্দক্তি থা ৩/৪সি য়াম্বু য়ামদ্রি। মমাঙদা থা ১০ য়ৌনা অমসুং মসিদগী হেন্দোক্না পীথোক্তনা থম্বা কয়ারক য়াওখ্রে। অদুবু থৌদোকসিদি অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং খক্তগী ৱাফম নত্তে। এক্রিদিটেদ সোসল হেল্থ এক্টিভিষ্ট (আশা) ৱার্করশিংদা থোকই। মহৈশঙশিংগী মিদ-দে-মিলগী চাকথোংবীশিংদা থোকই। লৈঙাক্কী মপূং ফাবা এমপ্লোয়ীশিংদা ফাওবা থোকই। মতম অমদদি এমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তোলোপ কায়থোক্লে, ফংলগনি হায়বা ফাওবা অচৌবা পাউ ওইরম্লিবনি। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি ষ্টেট লৈঙাক্না পীগদবশিংদি শোৎকনু, থা-থাগী পীথোকউ। করিগুম্বা সেন্টরগা পুথোক্নদুনা পীগদবা ওইবদগী মখোয়গী সিয়রদু পীরক্ত্রে হায়রগা ষ্টেটনা থাংদোক্লগা পীথোকউ। সেন্টরনা পীরক্লগা অমুক হন্দোক-হঞ্জিন তৌনবা য়াই। ৱাফমসি হুমাংমল/খূৎশুমল ফংফম থোক্লিবা পূম্নমক্কী ওইবা ৱানি। মখল অনী থোক্না পীরিবা ওল্ড এজ পেন্সনগীসু অদুম্মঙাই। য়ামদ্রবসু থা-থাগী চাং নাইনা ফংজবনা থা খরা খরা পুনশিল্লগা পীবদগীদি হেন্না কান্নগনি। নুমিৎ শাংনা শাংনা চরা হেলহল্লক্লগা নোংমদা পুল্লপ পীজগনি হায়বগী কুইরক্লবা হৈনবী থাদোকউ।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **''লমজিংবা''** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **''তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **''হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো''** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৫) **''নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# টাজমহল য়ৌরুবা ওন্থোকপা নুমিৎ অমা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২২**

**জিতেন নামৈরাকপম**

কাউবা শুকঙম ঙম্লরোই, দেল্লী ওল্ড দেল্লী, ন্যু দেল্লী। কেপিটেল ওফ ইন্দিয়া! লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং, পার্ক, রিজোর্ট, খূৎশেমগী ফজবা অদুগা মী অদুক্কী মতিক চিনবা হেনগৎলকপা, মখল মখলগী গাড়ী, ইন্দষ্ট্রি, ফেক্টরি ময়ামদগী কামথোরকপা মৈখু, অমোৎপা মহী মনাই চেম্থরক্তুনা ৱাটর পোল্যুসন, এয়র পোল্যুসন, নোইজ পোল্যুসন থোকপা লমদম অমসু ওইহৌরি। শাবগী চাং হায়রগনা কোকথক্তা মৈতাল অরাবা হৈথরকপগা পাঙ্খকনি। ওন্থোক্না শাখ্রে। ঐখোয় মণিপুরদা শাবনা লোইরে প্রোক প্রোক চাকইকা হায়নবদু কচ্চানি কচ্চা। মণিপুরগী মোরেসু, জিরিবামসু অদুম্মক শাবদা মমিং হায়ফেৎ চৎচরিবনি। করি ৱানোনে, জিরিবামগী, মোরেগী খুশা হায়রগদি পান্থোমদগী খূবাক্না চপ্লগা খুদাংফাওবা চিংথরকপদা হুমাং শুম্বা য়াই। মদুদগী হেন্না শাবা দেল্লীদা কোয়বা য়াবা কোয়রুরে। য়েংবা য়াবা য়েংলুরে। কুটুব মিনর, লোট্রস টেম্পল, মুঘল গার্দেন, লাল কিলাগা হায়নবা রেদ ফোর্ট, জমা মসজিদ, হুমায়ুন'স টোম্ব, ইন্দিয়া গেট, রাজপথ, লৈনুং কৈথেল করি করিনো অমত্তবু চিথিরুদে হায়বা য়াই। কৈথেল হায়বা খ্বাইদগী মমিং চৎপা দরিয়াগঞ্জ লাইরিক সেকেন্দ হেন্দ থা থাদুনা য়োল্লিবদুগী চৎখৎখ্রগা রেদ ফোর্টকা জমা মসজিদকা অনীগী মরক্তা লৈবা চোর বজার ঐনা খ্বাইদগী নুংঙাইবা মফমনি। মদুদা য়োল্লিবা পোৎসি অশলি/নকলি মেন মান তাদবা পোৎসু থেংনৈ। দেল্লীগী রিং রোদ, ফ্লাই ওভর মশীং থিঙমদবা অদুদা লেন লান্না ক্রোস তৌশিন্দুনা গাড়ী থৌরুরগদি মনিং হনবা শুকয়া হেক য়াররোই। কিলোমিটর ১০ রোম থৌরগা য়ু টর্ন থিরগা মমায় লৈদুনা হল্লকপা তাবনি।



য়ূমদা লৈরে এ সী। কার তোংলে এ সী। এয়র কন্দিসনগী য়ূমদগী লাল্লগা এয়র কন্দিসন প্রোভাইদ তৌবা মফমদা চৎলুই নোংমা। ঐগী মরুপ শান্তকুমার ইনকম টেক্স ওফিসর (দিজিগনেসনদি পঞ্জররোই), ঐ ইশামক দেল্লীদা থুংখ্রে হায়বসি মহাক্তি থা অমগী মমাঙদা হান্ননা পাউ ফংখ্রবনি। অদুবু ঐখোয় অনীগী মরক্তা কম্যুনিকেসন গেপ খরা মরক্তা লৈখ্রবনা ঐখোয় অনী পাউ ফাওনখিদে। ঐনা লৈরিবা মফম্না ঘিটোর্নি, ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (এইমস) সফদরজঙ্গ, খরা চৎলগা কুটুব মিনর লৈবা এম জি রোদ (মেহরুলি গুরগাউন রোদ) অদোমদনি ঐনা থা অমা হেন্না নৈখায়দুনা লৈরক্লিবা অসি।

ঘিটোর্নি লমদম নুংশি য়াম্না নুংশিখি। মতু-মসা ফন্দোক্তুনা নোংলিক চোৎলকপা মতমদা ৱাহেং উচেক্না মশা খপ্তুনা জগোয় শাখিবা। স্কবীরেল হায়গদ্রা, খৈরোই হায়গদ্রা মমৈ শাংবা নুমিৎয়ুংবী মানবা, চুম মানবা জীব কয়া অমনা দেল্লীগী উমং মচা মচাশিংদা নীংতম্না শান্নজবা উরুবদা ওন্থোক্না নুংঙাইবা পোকচখি। অদুক চিনখ্রবা দেল্লীদা উমং, পার্ক, রিজোর্ট কয়া লৈরমগনি থাজরুদে। ঘিটোর্নিগা হরয়ানাগী গুরগাউনগা ওন্থোক্না নক্নরম্মী। মণিপুরগী মোরে টাউন টমু, ম্যান্মারগী নম্ফালোংগুম্বা ষ্টেট বাউন্দরি শম্নফম লমদমনি। মফমদুগী কৈথেল মচা আয়ানগর দেল্লীগী খুঙ্গংনি। মফম অদুদা য়োল্লিবা ঙা, চাক, মনা-মশিং, ফদিগোম, নুংশিহীদাক পৱাদা ওল্লি। ঙা শেন্বসু মতোংখক্তা নাকল নাকল লৌথোকখ্রগা মৱূ, মশাইগুপ তোঙান্না বোক্সতা থাদখি। খূৎনা ইরিবা কলম অসিনা তম্বা ঙমদ্রবা জাৎ জাৎ থেংনরকখি। ঘিটোর্নিদা থেংনরকখিবা পুন্সি ৱারী মতাং চানা তমজরকখিগে।

দেল্লী হরয়ানা অনীগী বোর্দর টাউন অমদা ঐ লৈরে তাবদগী ঐগী মরুপ ইনকম টেক্সকী ওফিসর শান্তকুমারনা ঐবু পীক-অপ তৌরনবা মাগী ওর্দলি থারকখি। মদুসু বাইক য়ামাহা মোটোর সাইকল অমদা। হেলমেট উপ্না থৌরক্লিবা ওর্দর্লিনা পুরকপা ঐগী হেলমেট অদু উপ্লগা মরুপকী লৈফম তান্না থৌখি। দেল্লিদা বাইক রাইদরনা হেলমেট উপ্লগসু তোংলিবনা উপত্রগদি ত্রাফিক পুলিসনা থেংনরগদি শোয়দনা ফাগনি। ফাইন থিগনি। অসুম্না অসুম নুমিদাংৱাইদা লাকপনা পিতমবারা হায়ৱা নোর্থ দেল্লীগী ঐগী মরুপকী ক্বার্টরদা থুংলে। মানসু তরাম্না ওক্লম্মী। 'করি চানীংই, করি থক্লিংই হায়য়ু।' মহাক্কী অহানবা ৱাহংনি। ঐসু খুমখি - চাবদি ওক্লে, থক্লগে, লুপা লিশীং তরা/কুন পীবা স্কোটস হ্বিস্কি থক্কে। মানা অমুক হংলকখি করম্বা ব্রান্দনো? গ্লেনলিভেট-১২ সিঙ্গল মোল্ট হ্বিস্কি! ঐগী পাউখুম মহাক্না মখা তাখিদে, পুথোরকখি গ্লেনলিভেট-১২ য়রস। মখুম লৈখায়বা নত্তে, চোংগাংগী মখুমদু শৎতোক্লগা লংত্রিক লংবা গ্লাসতুদা পেগচাউ অমা হৈথরকখি। মাগীদি হৈথদ্রে শোদা ওইনা হৈরগা ঐখোয় অনী চ্যিরস তৌখি - 'অলকোহোল ইজ ফোর গুদ হেল্থ'।

অসুম্না নোর্থ দেল্লীগী পিতমবরাদা নুমিৎ ৩/৪নি লেল্লবা মতুংদা আগ্রাগী টাজমহল (সেভন ৱন্দরস ওফ দ ৱর্ল্ড) অমুক্কসু য়েংলুসি হায়রুবদা মহাক্কী ওফিসকী থবক্না থাদোকপা য়াদবদগী মহাক্না লৈমিন্নরম্বা মাগী কজিন মোইরাংদগী তোন্বী ঐগা খোঙবু ওইমিন্নরে।

দি টি সী (দেল্লী ত্রান্সপোর্ট কোরপরেসন) গী পার্কিং তম্না চৎলগা দেল্লী টু আগ্রাগী বস টিকেট কক্লে। তোংখৎলে। দেল্লীনা দেল্লী। আগ্রানা য়ু পি। দেল্লীদগী আগ্রা তম্না বস অদু খোঙজেল য়াঙনা নেৎথরক্লে। চাউরবা বসকী চাকানা আগ্রা য়ৌবা লম্বী মথং মথং য়োৎশিল্লকখি। নাকলদা থেংনখি বৃন্দাবন বুলান্দ দরৱাজা (আকবরগী মতমগী) মথুরা ... মথং মথং। উচিন নাচিন্না আগ্রাদি য়ৌরে মোৎখ্রবা ষণ, হামেং মরাং কায়না লোয়বা মফমদু য়ৌবদা পুং ৬ হেন্না চঙথোকখ্রে। টাজমহল খিন্দুনা থল্লম্বগী আগ্রানা মমিং চৎপগী ৱানি নৎত্রগদি মমিং কয়া লৈরমগদবা মানখিদে মোৎখ্রবা খুঙ্গংগী ফীভমদু উরুবদা।

লম্বীদা অসুম লাকপদা উরকখিবা অদু আগ্রা ফোর্ট! ঔরঙ্গজেবনা মপাবুং শাহজহানবু লানবন অদুগী কা অমদা ফাজিন্দুনা থম্বা। থোঙনাও অদুদগী যমুনা তুরেল তোর্ব্বান্দা তাম্না উবদা পিকত্রু পিক্না লংত্রিক লংনা খিনবদু উরুবদা মমিৎতগী মপি শোয়দনা তারমগনি। আগ্রা ফোর্টতগী পিক্তক্না উরম্বা টাজমহল চেকপল নাক য়েৎ ওইদা হৌরিবা হৈ, লৈ, উপাম্বীশিংতনা লোৎশিন্দুনা থমখ্রে। পুংখায়মুক শুকউ উবা ফংদ্রে। ইকোন কোনবদা দং লাউনা থেংনবগুম্বনি ফিট ৩০/৪০ মুক ৱাংবা চেকপলতনা খারবা অচৌবা থোঙজাউ। টাজমহলগী ফজবদি করি অমুক হায়রুগনি। ফোরেন মতৈ মনাও অনী টাজমহল য়েংবা চঙবদা নুপী অদুদি টাজমহলগী ফজবনা মশা পূম্বা পেৎথখ্রে, পুমশুম শুমহৎখ্রে। নুপী অদুনা মাগী নুপা অদুদা অসুম্না হায়খি হায় - "If you promise to build over me such a beautiful building, I am ready to die right now and here"। অদুবু তোন্বী ঐখোয় অনীগী ওইনদি ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি। নুমিৎ অদু ইরাই নুমিৎ ওইরম্মী। মুসলিমশিংগী দ্রেস শেৎপশিং নমাজ তৌবগী চঙহনবা নত্তনা কনামত্তা চঙহন্দবা ইরাই নুমিৎ ওইরম্লে। টিকেট ফংদ্রবা ঐখোয় অনী টাজমহল তুংওইনরম্লগা দেল্লী তম্না লাকপা ওইনা নোক্না নোক্না শগোল গাড়ী তোংলগা বস পার্কিং তম্না হল্লকখি। বস মনুংদসু মঙাই ঐখোয় অনী পংনোক্তা নোকমিন্নখি। ঐগী হায়ববু লেপ ৩০ মুক ৱাংবা টাজমহল কোয়শিল্লিবা ৱালগী সিড়িদা কাখৎলগা ফোটো ওইনা নম্লকখি। আ মনিংলোমদা চৎলগা হঙ্গাম চাম্বগী মচু মাল্লবা যমুনা তুরেল টাজমহলগী মনীংলোমদগী ওইনা মওং তাদ্রবা ফোটো খরসু লৌরকখি। তোন্বী ঐখোয় অনী নোক্না নোক্না হায়নখি - কনামত্তদা হায়দোক্নগুমসিকো! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ইনাৎকী লাই হরাওবদি তেংপানববু শেন্বীবা মপু মাবু পেলহন্নবা লাইশিংনা তৌবা মতৌ তম্লগা হরাওবনি হায়নরিবনি। লাই হরাওবা হৌরমদাই/শঙলেন লাইগী থৌরম অমা তৌরমদাইদা লাইজ ঈরোলনুংদগী লাই ইকৌবা হায়দনা তৌনরিবসিনি। হায়রিবশিংসি মীরমগী লাইনীং লাইশোন অমত্তদা তৌনদবা থৌওং ওইবনা ইনাৎ লাইনীং লাইশোনদি মালেমগীদা লৈরিবা লাইনীং লাইশোন খুদিংমক্তগী তোমথিন নাইবা/ঙানবা ওইরিবনি। মরম অসিনা লমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা নাৎ/কলচর অমদি ত্রেদিসন ময়ামসি 'য়ুনেস্কো' গী লিষ্টতা চলহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়েলহৌমী অশেংবা ওইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌদাংনি।

৩) মালেমগীদা লৈরিবা লাইনীং লাইশোন অতোপ্পা অমত্তনা পূম্নমকপু শেন্বীবা অমত্তা ঙাইবা/ওইবা মপু মহাক্তি মালেমগী মফম খুদিংদা লৈ হায়বসি উৎপা ঙম্বগী থৌওং লৈতবগুম তৌবসি ইনাৎ লাইনীংদদি মালেমগী মফম অমদা হেক্তা ইরাৎ ইশোন হৈবা অমনা ফম্বাল অমা লাংলগা হীরম অমগী ফনবা তৌবদা মপু মহাক্না থৌজাল ললকুবী হায়বসি খঙবা ঙমই। খুদম, মালেমগী লাইনীং-লাইশোন অতৈদদি মখোয় মশানা থাজবা লাইশিংদু শঙলেন মনুং/মন্দির/মসজিদ/চর্চ মনুংদা হৌনবী/চৎনবী মতুংইন্না লাৎলিবদুগী মমাঙদা হৈকৎ লৈকৎনচিংবা তৌরগা খুরুম খাজংবা/থৌনিবা তৌনবসি ইনাৎ লাইনীংদদি শঙলেন মনুং/মমাঙদবু ওইরবসু/মফম অমদবু ওইরবসু মরু ওইনা লাইশোন তিনশোন হৈবা অমনা থৌনিজবদা মপুনা য়াবীদুনা থৌজাল ললকুবিবা/তিনকোকপীবা/লাইকোকপীবা তৌবিবনা ইনাৎকী লাইদি মালেমগী মফম শিন্থুংনা লৈ হায়বসি খঙহল্লিবনি।

৪) ইনাৎকীদদি তৌগেদা ঙম্বা লাই ওইরিবা/ওইরিবী মখোয়না নমু তাইবঙ মীওইবশিংগী মরক্তগী খল্লগা মখোয় খরগী মশাদা চঙশিন্দুনা/তোংশিন্দুনা লাই মখোয়গী পাউতাক পাউজেল পীহনবা ঙম্বগী চৎনবীসি মীরম লাইনীংশিংদা লৈতবগুম খল্লি। মখোয়শিংবু 'ইমা মাইবী/মঙদাবী'' হায়না খঙনৈ। মাইবীগী মখল কয়া লৈবগী মরমদদি মফমসিদা পঞ্জররোই। থমজনীংলিবা ইচম চম্বা ৱাফমদি ''মীগা লাইগা শম্নহনবদা/পাউ ফাওনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবী অখন্নবা মতিক ময়াই চেনবী মরু ওইনা নুপী, করিগুম্বদা নুপা ওইবসু ময়াওবা - শিনফমনা মাইবী ওইবসি মালেমগী ওইবা লাইনীং লাইশোন অতৈদা পংথেং থেংনদবনা মালেমগী লৈবাকশিংদা অখন্নবা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌওংসি 'অতাঙবা থৌওং' অমা ওইনা খঙহন্নবা 'য়ুনেস্কো' দা চলহন্নবা হোৎনফম থোকই। মরমদি ইমা মাইবীশিংনা লাই তোংলিঙৈগী মতমদা লাইগী মপাউ পীরিবসিদি অনকপদা, অরাপ্পদা লৈবা লৈতবগী মথৌ তাদে। লৈবাক্কী অমদি লৈবাক নিংথৌগী মপাউদা নত্তনা মালেমগীদা থোক্লগদবা থৌদোক্কী মতাংদসু পীবা য়াওরিবনি।

৫) ইনাৎ লাইনীংদদি নমু তাইবঙ মীওইবশিংনা চিংনগদবা/য়ানীংলোইদবা লীচৎ অমদি থৌওং অমত্তা মীতোপ/মীরম লাইনীং লাইশোন খরদা তৌবগুম তৌনবা য়াওবসি তৌদে/য়াওদে। মরী লৈনবা মতাংশিং মথক্তা নৈনজখ্রে।

৬) ইনাৎ লাইনীং লাইশোন্দদি, অতৈ মালেমগী লাইনীং লাইশোন খরদা লাইনি হায়বশিং নমু তাইবঙ মীগী মপোক্তা পোকপনা নুংশি-নুংওলগী ওইবা থৌওং চথবা য়াওবা অদুম হায়না তৌবা অমত্তা য়াওদে। ইনাৎকীদদি খোইয়ুম লাইগী ওইবা উনবী পূক্নিং য়াম্না নুংওন্নীংঙাই ওইবা থৌওংমক্তনি। খুদম, অদুঙৈ তেংপানবা মপু শিদবনা মপারী অশিবা (সনামহী) দা নমু তাইবঙ মী শেম্মু হায়বদা ঙমলোইদৌরে খঙবদগী হয়ি শিদবনা ময়া লাওনা কাথোক্লগা মনুংদা চঙহল্লবদা মপুগী খোয়দৌ ওইবা কুরুম চীং অদুগী থোঙনা (নোংচুপ) পাংবদা শঙ্গোম অনৌবগুম্না চাংজৌ চোনবা খোঙ অমগী মপালদা হয়ি হয়া অনীনা সনাগী ফান্তেং অনীদা ফমদেঙলদুনা লৈরম্বদুগী মমি অনীদু উবদা পুরুমগে তৌবদা শিদবা মপুনা ''হে পারি ইবুংঙো অশিবা ঙমপল্লো (হায়বদি ঙাইখো লেপখোও) হায়না লেপহল্লে। অদুগা অসুম্না নুংশিনা ৱাহোম্লকই- হন্দোক হঞ্জিন তৌগদবা তাইবঙপানসিদা নঙনা শিংকুম্লগা (শিরগা) তাইবঙদা হল্লবদি পারী নঙনা শাৎকদবনে। নঙনা শিংকুম্লগা ঐনা শাৎকদবনো অদু নোংদগী মপা অরিবগী লাংওননি হায়বগী 'পারি ইবুংঙো' হায়না তেংথা নাওইনবা অদুম হায়না নুপীনা শিংকুম্লবদি পল্লেম ইমানা হল্লকপনে হায়বগী 'ইমোম লাংলেন' হায়না তেংথানরিবসিদগী হেন্না পূক্নিংদা নুংওন্নিংঙাই করিবু লৈরিবগে। য়াইবী থৱায় অসিদি মাগী মাগী শাগৈদা হনগদবনে অদুনা খুরুমহৈদে। মপান লাংগী হয়ি-হয়া অসিদি পুরুম খাজংবা য়াই। নুংগীদি পুরুম/খুরুমফদে। অসুম তৌনা মপারি অশিবা (সনামহী) না মপন পন্থৌ অমদি পল্লেম মমা অনীগী মমি লাইজ ইরোলনুংদা তারিবা অদুগী মিরেল শক্তম য়েংলগা তাইবঙ নমু অনী শেন্লে। অশিবা লাইনা তাইবঙ অনী অদু থোক্লবা থেম্বদা ময়াদ্রবা অদু নোংদা শিদবা মপুনা 'হে পারি অশিবা! তাইবঙ অনীদু লাইমিংনা পুগদবদো তাক্লগে হায়না শিদবা মপুনা তাকপীরে।'' লাইমিংদুদি থোইরৌ তরুক্না ওইবদু অশিবনা লাউবদসু য়াদরে। মতাংদুদসু অমুক হয়ি শিদবনা ৱাহোমলক্লে ''তাইবঙ অনী অসিদি কেথোকপনে, য়াৱা খোম্থাং হাপ্না নায়না লাউদ্রবদি য়াররোইয়ে হায়না তাকপীরে। অদুদগী হোইরৌ তরুকতো শৈহৌ শৈথা নাইনা ''হোইরৌনা হোইরৌ হোইরৌনা, হোইরৌ হোইরৌ হে নগেদা, লাইয়িংথৌ হোইরৌনে হয়ুম।'' মতাংসিদা লৈমরেলনা মপান্দা হয়া খুম্লগা - মখা ''আ হায়না, হয়া হয়ানা, হয়াহে নগেদা। য়োইপুপি হয়ানে সেসয়।'' অশিবনা হোইরৌ লাউবদা তাইবঙ অনীদুনা থোরকপা অদু নোংদা মপান্দা লৈমরেল শিদবীনা হয়া খুম্লক্লে। মিতম অনীসি লাইয়িংথৌ অশিবনা পুদুনা হয়ি শিদবদা কৎলবা অদু নোংদগী হয়ি শিদবনা তাইবঙ অনী অদু শাবী শানৌ ওইহল্লে। (পোনবী-লাংগীদা য়াওবা তাইবঙ লাংবুম সেমবা-চেমায় ৩৬-৩৮)।

অসিনসু মদোমদে। নাউৱা অংগোনা নুমিৎ থাবুম মশীং শুরক্লবদা তাইবঙ মালেম অঙানবদা থোক্তবা য়াদদুনা থোকপা তারকপা মতমদা শিদবা মপুদা ওইনজনা নাউৱা অংগোনা হায়জবা - তাইবঙ মালেম অসিদি হিংচা য়াইতম্বা, শারোই ঙারোই ফত্তবা য়াম্না লৈবনা কিজৈ, থোকপা ঙমলোইয়ে। মদুদা শিদবা মপুনা করি তৌরবদি থোকপা কিরোইদগে হংবদা 'মপু নহাক্না লোয়নরবদি কিরোইয়ে'' হায়বদুদগী মপু শিদবনা নাউৱা অংগোবু শমু খূৎজেং পায়দুনা পুথোকপীরক্লম্লগা মালেম অঙানবদা ফাওরক্লবা মতমদদি তাইবঙ মপু শিদবদি মী, লাই উবা য়াদবনা পোংখু অংগোগী শমু হকচাংনুংদা ফিদুপ অহুম থুপ্না তাশিন্দুনা লৈখি। নাউৱা অংগোনা য়েংলকপদা মপু মাবু উদবদগী 'হুংঙা' হায়না তৎতনা কপ্লকপবু নহাল নোংদা তেংপানবা মপু শিদবনা তাকপীরকপা কোলোয় 'হুংঙা' মিংলেনবু তত্তনা শোন্দুনা মপুবু নিংশিংলক্লবা থৌওংবু করিগী পূক্নিং নুংওল্লোইদবনো! মতাংগা মরী লৈনবা কয়া অমা লৈরবসু তঙাইফদবা ফীভমদগী থাদোকচরে। ●